তেবল ৬: এনতাইতলমেন্ত মেত্রিক্স

| সেরিএল নম্বর | অমাঙ অতাগী মখল | এপ্লিকেসন | ফংফম থোকপা মীওইশিং | ফংগদবশিং | থৌদাং য়াগদবা এজেন্সী |
|---|---|---|---|---|---|
| ১-এ | লনাই লমগী ওইবা অমাঙ অতা | লৌফম, ইংখোল নৎত্রগা অহাঙবা মফম | লিগেল পত্তা পায়বশিং/ মহৌশাদগী চৎনবীগী মতুং ইন্না লমগী হক লৈবা ইমুং | চঙখিবা শেঞ্জংগী মহুত্তা পীবা কম্পেন্সেসন<br>□ লৌশিনগদৌরিবা লম অদুদা মপুং ওইনা পুন্সি হিংনবগীদমক তাংদুনা লৈরম্বা শোকহল্লবা ইমুং খুদিংদা অমুক হন্না খুন্দাহন্নবগীদমক অমুক্তংগী ওইনা লুপা ৫০০০০/- গী এলোৱেন্স<br>□ চৈথেং নংলবা ইমুং খুদিংনা অমুকখক্তংগী ওইনা পীগদবা মখাগী তেংবাংশিংসিদগী খনবা য়াগনি: (১) মথৌ তাবা হীরমদা চুনবা ত্রেনিং অমসুং স্কিল দিভেলপমেন্ত তৌহন্দুনা ইমুং অদুগী য়ামদ্রবদা মীওই অমদা প্রোজেক্তকী খুথাঙদা থবক পীবা; নৎত্রগা (২) লৌশিনগদৌরিবা লম অদুদা মপুং ওইনা পুন্সি হিংনবগীদমক তাংদুনা লৈরম্বা শোকহল্লবা ইমুং খুদিংদা অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০০,০০০/- গী তেংবাং।<br>□ লম লৌশিনবদা শোকহনগদবা ইমুং খুদিংদা লুপা ৩৬,০০০/-গী অমুকখক্তংগী ওইবা সবসিস্তেন্স গ্রান্ত পীগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) অনৌবা লম লৈথোক লৈশিন তৌবগা মরী লৈনবা ফীস, খাজনা অমসুং অতৈ চার্জশিং অমসুং কম্পেন্সেসন্দা লৌগদবা খাজনা পুম্বা প্রোজেক্তনা পুথোক্কনি। | • কম্পেন্সেসন: দিস্ত্রিক্ত কল্লেক্তর/দিপুতী কম্মিস্নর অদুনা RFC&T in LAR&R Act, 2013গী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না লেন্দ কম্পেন্সেসন লেপকনি।<br>• পত্তা পায়বা মীওইশিংগী কম্পেন্সেসনগী মথক্তা R&Rগী তেংবাং দিস্ত্রিক্ত ওথোরিতীশিংনা নৎত্রগা PWD না পীগদবনি।<br>• পত্তা পায়দবা মীওইশিংদা পীবা তেংবাং: RP ইমপ্লিমেন্তেসন এজেন্সীনা শেম্বা মাইক্রো প্লানশিংদা য়ুস্ফম ওইরগা PIUনা হকথেংননা নন-তাইতল হোল্দর (NTH) শিংদা তেংবাং পীগদবনি। |
| ১-বি | লনাই লমগী ওইবা অমাঙ অতা | লৌফম, ইংখোল নৎত্রগা অহাঙবা মফম | ভারাদা লৈবশিং অমসুং মতম শাংনা ইনদুনা শান্দোকপগী/ ৰায়বগী চে/লীজ পায়বশিং (অইবা পায়নদুনা ভারাদা লৈবা/লীজ দোকুমেন্ত পায়রশিং নৎত্রগা পায়দবশিং/পুন্না লৌ উমিন্নবশিং) | □ কেস কেসকী মতুং ইন্না ভারা শান্দোকপগী দিপোজিৎ নৎত্রগা মতম লোইদ্রিবা লীজকী শেনফম হন্দোকপা (হায়রিবা শেনফমসি লম মপুগী কম্পেন্সেসন শেনফমদগী ককথগনি)।<br>□ লুপা ৩৬,০০০/-গী অমুকখক্তংগী ওইবা সবসিস্তেন্স গ্রান্ত পীগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ PIUনা দিস্ত্রিক্ত এদমিনিস্ত্রেসন্দা লম মপুগী কম্পেন্সেসন্দগী ককহৌগদবা শেমফমদু খঙহনগনি। |
| ২-এ | লৈঙাক্কী ওইবা লমগী অমাঙ অতা | অহাঙবা মফম, লৌফম, ইংখোল | লীজ পায়বশিং | □ কেস কেসকী মতুং ইন্না ভারা শান্দোকপগী দিপোজিৎ নৎত্রগা মতম লোইদ্রিবা লীজকী শেনফম হন্দোকপা<br>□ লুপা ৩৬,০০০/-গী অমুকখক্তংগী ওইবা সবসিস্তেন্স গ্রান্ত পীগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ PIUনা তেংবাং অদু NGOনা শেম্বা মাইক্রো প্লানগী মতুং ইন্না পীথোক্কনি/থাদোক্কনি। |
| ২-বি | লৈঙাক্কী ওইবা লমগী অমাঙ অতা | অহাঙবা মফম, লৌফম, ইংখোল, লম্বীগী RoW | পত্তা পায়দবা/লম কনশিনবা, লম খোপচিনবশিং | □ লৌশিল্লবা লমদগী হোংদোকখিনবা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৬০গী মমাঙদা মাঙজৌননা খঙহনগদবনি।<br>□ হৌরিবা মহৈ মরোংশিং লোকশিন্নবা/খাওদোক্লবা খঙহনগদবনি অমসুং কম্পেন্সেসন ফংহনগদবনি<br>□ লুপা ৩৬,০০০/-গী অমুকখক্তংগী ওইবা সবসিস্তেন্স গ্রান্ত পীগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ PIUনা তেংবাং অদু NGOনা শেম্বা মাইক্রো প্লানগী মতুং ইন্না পীথোক্কদবনি/থাদোক্কনি। |
| **লৈনরিবা য়ুম-কৈগী স্ত্রকচর** | | | | | |
| ৩-এ | লৈনরিবা য়ুম-কৈগী/স্ত্রকচরগী ওইবা অমাঙ অতা | য়ুম-কৈগী স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং | লিগেল পত্তা পায়বা মহৌশাদগী চৎনবীগী মতুং ইন্না লমগী হক লৈবা ইমুংশিং | শোকহল্লবা ইমুং খুদিংনা অমুক্তংগী ওইনা ফংগদবা মখাগী তেংবাংসিদগী খনবা য়াগনি:<br>(১) লৈনরিবা য়ুম-কৈ/স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লন-থুমশিংগী (নৎত্রগা অতোপ্পা স্তরকচর অমসুং অতৈ লন-থুমশিংগী শীজিন্নবা য়াবা লেমহৌরিবা শরুক্কী) চাউরাকপা ভেল্যু/মমল তাহন্দনা (দিপ্রিসিএসন য়াওদনা) মহুৎ শিন্নবা শেঞ্জং। নৎত্রগা<br>(২) খুঙ্গংদা ওইরগনা, ময়ুম মকৈ থাদোক্লবা ইমুং অদুদা শেলগী কম্পেন্সেসনগী মহুত্তা ইন্দিরা অৱাস য়োজনাগী স্পেসিফিকেসনগী মতুং ইন্না য়ুম অমা শাননবগী ওপসন ফংহনগনি।<br>(৩) সহরদা ওইরগনা, ময়ুম মকৈ থাদোক্লবা ইমুং অদুদা শেলগী কম্পেন্সেসনগী মহুত্তা য়ামদ্রবদা স্কাৱ মিতর ৫০ পাক-চাউবদা য়ুম অমা শাননবগী ওপসন ফংহনগনি।<br>□ মহুৎ শিনগদৌরিবা স্ত্রকচর অদুগা মরী লৈনবা ফীস, খাজনা, অমসুং অতৈ চার্জশিং প্রোজেক্তনা পুথোক্কনি।<br>□ মহুৎ শিন্নবগী ওইনা পীগদবা ভেল্যু অদুদগী ককথবা তৌদনা য়ুম-কৈ অমসুং অতৈ লনথুমশিং ফংহন্নবগী হক।<br>□ চৈথেং ফংলবা ইমুং খুদিংদা অমুকখক্তংগী ওইবা হন্না খুন্দাহন্নবগী লুপা ৫০,০০০/- গী এলোৱেন্স (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ শা-শনগী মকোন শিদোক্লবা/মাঙলবা ইমুংশিংদা মদুবু অমুক হন্না শাননবা লুপা ২৫,০০০/- গী অমুকখক্তংগী ওইবা শেলগী তেংবাং (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংনা মখোয়গী পোৎ-চৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা মতেঙ ওইনা অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০,০০০/-গী এলোৱেন্স ফংগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ শরুক খরখক্তমক অমাঙ অতা থোকপগী ৰাফম ওইরগদি, করিগুম্বা লেমহৌরিবা স্ত্রকচর অদু শীজিন্নবা য়াররোইদবা অমসুং/নৎত্রগা কান্নরোইদবা ওইরবদি, স্ত্রকচর অদু মপুং ফানা লৌশিন্নবগী হক PAPদা লৈগনি। | □ ভেলুএসন কম্মিতী অদু PIUগী ওফিসিএলশিংনা বিল্দিং দিপার্তমেন্তনচিংবা লাইন দিপার্তমেন্তশিংগী মতেঙগা লোয়ননা শেমগনি। কম্মিতী অসিনা মহুৎ শিন্বা ওইনা পীগদবা/রিপ্লেসমেন্তকী মমল অদু মরম চাৱা চাদৱা হায়বা লেপকনি।<br>□ PIU না মরী লৈনবা লাইন দিপার্তমেন্তশিংগা লোয়ননা এফেক্তেদ ফেমিলী (AF)শিংগী জোইন্ত এসেসমেন্ত সর্ভে (JAS) অমগী খুথাঙদা পীরিবা চৈথেংগী চাং খঙদোক্কনি, তেংবাং লেপথোক্কনি অমসুং চৈথেং ফংবা য়াবা ইমুংশিং মশক খঙদোক্কনি। |
| ৩-বি | লৈনরিবা য়ুম-কৈগী/স্ত্রকচরগী ওইবা অমাঙ অতা | য়ুম-কৈগী স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং | ভারাদা লৈবা অমসুং ৰায়বগী চে/লীজ পায়বশিং | □ মফমদু ৰায়রগা শীজিন্নরিবা/লীজ পায়রিবদুনা শাখিবা স্ত্রকচরগী শরুক/পুম্বগী চঙখিবা মমলদগী তাহন্দনা মহুৎ শিন্নবগী শেঞ্জং অদু মপু অদুদা পীগদবা কম্পেন্সেসন শেনফমদগী ককথদুনা ফংহনগনি।<br>□ শান্দোকপগী/ভারাগী থমখিবা দিপোজিৎ নৎত্রগা মতম লোইদ্রিবা লীজকী শেনফম হন্বিগদবনি (হায়রিবসি মপুগী কম্পেন্সেসন শেনফমদগী ককথগবনি)। | □ রিপ্লেসমেন্ত পীননবগী মমল ভেলুএসন কম্মিতীনা লেপকনি। AHs না ১০০% সর্ভে তৌদুনা লেপ্লকপা, অচুম্বনি খঙলবা অমসুং মশক খঙদোক্লবা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংনা ফংলিবা চৈথেংদু PIU না য়েংশিনগনি অমসুং মশক খঙদোক্কনি। |

| সেরিএল নম্বর | অমাঙ অতাগী মখল | এপ্লিকেসন | ফংফম থোকপা মীওইশিং | ফংগদবশিং | থৌদাং য়াগদবা এজেন্সী |
|---|---|---|---|---|---|
| | | | | □ স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং (ভারাদা লৈরিবা নৎত্রগা মতম শাংনা ইনদুনা লৈরিবা চে/লীজ পায়রিবশিংনা শাগৎখিবা শরুক্কী) লৌশিন্নবগী হক।<br>□ চৈথেং নংলবা ইমুং খুদিংদা অমুকখক্তংগী ওইবা হন্না খুন্দাহনবগী লুপা ৫০০০০/- গী এলোৱেন্স (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ শা-শনগী মকোন শিদোক্লবা/মাঙলবা ইমুংশিংদা মদুবু অমুক হন্না শাননবা লুপা ২৫,০০০/- গী অমুকখক্তংগী ওইবা শেলগী তেংবাং (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংনা মখোয়গী পোৎ-চৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা মতেঙ ওইনা অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০,০০০/- গী এলোৱেন্স ফংগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | |
| ৩-সি | লৈনরিবা য়ুম-কৈগী ওইবা অমাঙ অতা | য়ুম-কৈ অমসুং অতৈ লনথুমশিং | নন-তাইতল হোল্দরশিং/ কনশিন্দুনা লৈবশিং/ খোপচিন্দুনা লৈবশিং | □ লম কনশিন্দুনা লৈবশিংনা মখোয়না লৈরিঙৈদা শাজিনখিবা স্ত্রকচরগী চঙখিবা মমল তাহন্দনা মহুৎ শিন্নবা শেঞ্জং।<br>□ শাজিনখিবা স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং ফংহন্নবগী হক<br>□ চৈথেং নংলবা ইমুং খুদিংদা অমুকখক্তংগী ওইবা হন্না খুন্দাহনবগী লুপা ৫০০০০/- গী এলোৱেন্স (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংনা মখোয়গী পোৎ-চৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা মতেঙ ওইনা অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০,০০০/- গী এলোৱেন্স ফংগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ লৈনরিবা য়ুম-কৈগী অমাঙ অতা থোকখিবগী মমল ভেলুএসন কম্মিতীনা লেপকনি।<br>□ AHs না ১০০% সর্ভে তৌদুনা লেপ্লকপা, অচুম্বনি খঙলবা অমসুং মশক খঙদোক্লবা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংনা ফংলিবা চৈথেংদু PIU না য়েংশিনগনি অমসুং মশক খঙদোক্কনি। |
| **লল্লোন ইইতিক তৌনরিবা/কম্মর্সিএল স্ত্রকচরশিং** | | | | | |
| ৪-এ | লল্লোন ইতিক তৌনরিবা/কম্মর্সিএল স্ত্রকচরগী ওইবা অমাঙ অতা | কম্মর্রিএল স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং | লিগেল পত্তা পায়বা মহৌশাদগী চৎনবীগী মতুং ইন্না লমগী হক লৈবা ইমুং | □ লল্লোন ইতিক তৌনরিবা মফম/স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লন-থুমশিংগী (নৎত্রগা অতোপ্পা স্তরকচর অমসুং অতৈ লন-থুমশিংগী শীজিন্নবা য়াবা লেমহৌরিবা শরুক্কী) চাউরাকপা ভেল্যু/মমল তাহন্দনা (দিপ্রিসিএসন য়াওদনা) মহুৎ শিন্নবা শেঞ্জং।<br>□ মহুৎ শিনগদৌরিবা স্ত্রকচর অদুগা মরী লৈনবা ফীস, খাজনা, অমসুং অতৈ চার্জশিং প্রোজেক্তনা পুথোক্কনি।<br>□ মহুৎ শিন্নবগী ওইনা পীগদবা ভেল্যু অদুদগী ককথবা তৌদনা য়ুম-কৈ অমসুং অতৈ লনথুমশিং ফংহন্ননবগী হক।<br>□ চৈথেং নংলবা ইমুং খুদিংদা অমুকখক্তংগী ওইবা হন্না খুন্দাহনবগী লুপা ৫০০০০/- গী এলোৱেন্স (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংনা মখোয়গী পোৎ-চৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা মতেঙ ওইনা অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০,০০০/- গী এলোৱেন্স ফংগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ কম্মর্সিএল স্ত্রকচরগী মমল ভেলুএসন কম্মিতীনা লেপকনি। AHs না ১০০% সর্ভে তৌদুনা লেপ্লকপা, অচুম্বনি খঙলবা অমসুং মশক খঙদোক্লবা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংনা ফংলিবা চৈথেং PIU য়েংশিনগনি অমসুং মশক খঙদোক্কনি। |
| ৪-বি | লল্লোন ইতিক তৌনরিবা/কম্মর্সিএল স্ত্রকচরগী ওইবা অমাঙ অতা | কম্মর্রিএল স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং | ভারাদা লৈবশিং অমসুং মতম শাংনা ইনদুনা চে/ লীজ পায়দুনা লৈরিবশিং | □ মফমদু ৱায়রগা শীজিন্নরিবা/লীজ পায়রিবদুনা শাখিবা স্ত্রকচরগী শরুক/পুম্বগী মমল হন্থহন্দনা মহুৎ শিন্নবগী শেঞ্জং, অমসুং মসি মপুগী কম্পেন্সেসন শেনফমদগী ককথগনি।<br>□ শান্দোকপগী দিপোজিৎ নৎত্রগা মতম লোইদ্রিবা লীজকী শেনফম (লম মপুগী কম্পেন্সেসনগী শেনফমদগী ককথগনি)।<br>□ মহুৎ শিন্নবগী ওইনা পীগদবা ভেল্যু অদুদগী ককথবা তৌদনা য়ুম-কৈ অমসুং অতৈ লনথুমশিং (মফমদু ৱায়রগা শীজিন্নরিবা নৎত্রগা লীজ পায়রিবশিংনা শাখিবা শরুক্কী) ফংহন্নবগী হক।<br>□ চৈথেং নংলবা ইমুং খুদিংদা অমুকখক্তংগী ওইবা হন্না খুন্দাহনবগী লুপা ৫০০০০/- গী এলোৱেন্স (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংনা মখোয়গী পোৎ-চৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা মতেঙ ওইনা অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০,০০০/- গী এলোৱেন্স ফংগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ কম্মর্সিএল স্ত্রকচরগী মমল ভেলুএসন কম্মিতীনা লেপকনি।<br>□ AHs না ১০০% সর্ভে তৌদুনা লেপ্লকপা, অচুম্বনি খঙলবা অমসুং মশক খঙদোক্লবা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংনা ফংলিবা চৈথেং PIU য়েংশিনগনি অমসুং মশক খঙদোক্কনি। |
| ৪-সি | লল্লোন ইতিক তৌনরিবা/কম্মর্সিএল স্ত্রকচরগী ওইবা অমাঙ অতা | কম্মর্রিএল স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং | নন-তাইতল হোল্দরশিং/ কনশিন্দুনা লৈবশিং/ খোপচিন্দুনা লৈবশিং | □ লম কনশিন্দুনা লৈবশিংনা মখোয়না লৈরিঙৈদা শাজিনখিবা স্ত্রকচরগী চঙখিবা মমল তাহন্দনা মহুৎ শিন্নবা শেঞ্জং।<br>□ শাজিনখিবা স্ত্রকচর অমসুং অতৈ লনথুমশিং ফংহন্নবগী হক<br>□ চৈথেং নংলবা ইমুং খুদিংদা অমুকখক্তংগী ওইবা হন্না খুন্দাহনবগী লুপা ৫০০০০/- গী এলোৱেন্স (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংনা মখোয়গী পোৎ-চৈ হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা মতেঙ ওইনা অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০,০০০/- গী এলোৱেন্স ফংগনি (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ কম্মর্সিএল স্ত্রকচরগী মমল ভেলুএসন কম্মিতীনা লেপকনি।<br>□ AHs না ১০০% সর্ভে তৌদুনা লেপ্লকপা, অচুম্বনি খঙলবা অমসুং মশক খঙদোক্লবা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংনা ফংলিবা চৈথেং PIU য়েংশিনগনি অমসুং মশক খঙদোক্কনি। |
| **পুন্সি হিংনবগী পাম্বৈ** | | | | | |
| ৫ | পুন্সি হিংনবগী পাম্বৈ মাঙবা | পুন্সি হিংনবগী পাম্বৈ | বিজিনেস/কম্মর্সিএল এস্তাব্লিসমেন্ত মাঙলবা লিগেল পত্তা পায়বা মীওই, মহৌশাগী চৎনবীগী মতুং ইন্না লমগী হক লৈবা ইমুং, কম্মর্সিএল ওইনা ভারাদা লম ৱায়দুনা শীজিন্নরিবা মীওই, কম্মর্সিএল ওইনা মতম শাংনা ইনদুনা/লীজ পায়রিবা মীওই, | □ ত্রেনিংগী মথৌ তাবা য়েংশিন্নবা সর্ভেদা য়ুক্ফম ওইরগা শেন্থোক হৣজিনহন্নবা PAPশিংদা স্কিল অপগ্রেদেসন ত্রেনিং পীবা।<br>□ প্রোজেক্তকী মখাদা শেমগৎ শাগৎপা অমসুং থবক পায়খৎলিঙৈদা থবক পীবদা অহেনবা খুদোংচাবা পীবা।<br>□ লুপা ৩৬,০০০/-গী সবসিস্তেন্স গ্রান্ত (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ AHs না ১০০% সর্ভে তৌদুনা লেপ্লকপা, অচুম্বনি খঙলবা অমসুং মশক খঙদোক্লবা অৱাবা নংলবা ইমুংশিংনা ফংলিবা চৈথেং PIU না য়েংশিনগনি অমসুং মশক খঙদোক্কনি।<br>□ লৌউ-শিংউগী শিন্মীশিংগীদমক্তদি (মতম চুপ্পগী ওইনা) লম মপুগী মখাদা ফুলতাইম / মতম চুপ্পগী ওইনা লৌউ শিংউগী থবক তৌরক্লবা |

| সেরিএল নম্বর | অমাঙ অতাগী মখল | এপ্লিকেসন | ফংফম থোকপা মীওইশিং | ফংগদবশিং | থৌদাং য়াগদবা এজেন্সী |
|---|---|---|---|---|---|
| | | | কম্মর্সিএল এস্তাব্লিসমেন্তকী শিন্মী, লৌউ-শিংউগী শিন্মী (মতম শাংনা), খুৎহৈবশিং, লম কনশিল্লিবা মীওইশিং | | শিন্মীশিংখক্তনা তেংবাং ফংবা য়াগনি। মতম মতমখক্তদা লৌউ-শিংউগী থবক তৌবা শিন্মীশিংদি তেংবাং অসি ফংলোই। |
| **উ পাম্বী অমসুং মহৈ মরোংশিং** | | | | | |
| ৬ | উ পাম্বী অমসুং মহৈ মরোংশিংদা থোকপা অমাঙ অতা | হৌরিবা উ পাম্বী অমসুং মহৈ মরোংশিং | লিগেল পত্তা পায়বা মীওই, মহৌশাগী চৎনবীগী মতুং ইন্না লমগী হক লৈবা ইমুং, লৌউ-শিংউগীদমক লম ৱায়রগা শীজিন্নরিবা মীওই/ মতম শাংনা ইনদুনা লীজ পায়রগা লৌশাল তম্লিবা মীওইশিং, পত্তা পায়দনা লম কনশিল্লিবা মীওই | □ মহৈ মরোংশিং লোক্লনবা, উহৈশিং হেক্তোক্লনবা অমসুং উজাওশিং য়ান্ননবা মাঙজৌননা খঙহনবা।<br>□ অসিগুম্বা হৌরিবা মহৈ মরোংশিং অমাঙ অতা থোক্লবদি, চহিগী মহৈ মরোংগী সাইকল অমদা লৈরিবা কৈথেলগী মমলদা কম্পেন্সেসন পীবা।<br>□ মউ লৌগদবা উ পাম্বীগী ওইরগনা ফোরেস্ত দিপার্তমেন্ত অমসুং অতৈ উ/মহৈ মরোংগী ওইরগনা হোর্তিকলচর দিপার্তমেন্তকা তানরগা কৈথেলদা পীরিবা উগী মমলদা য়ুম্ফম ওইবা উগী কম্পেন্সেসন, অমসুং কুম্বী কালেন নাইদবা মহৈ মরোং অমসুং উহৈ পাম্বীশিংগী ওইনা চহিগী নেত প্রদক্ত মার্কেত ভেল্যুদা লেমহৌরিবা চহিনা পুরিরগা তারকপা অদু কম্পেন্সেসন ওইনা লেপকনি। | □ মাঙলবা উ পাম্বী অমসুং মহৈ মরোংগী মমল ভেলুএসন কম্মিতীনা লেপকনি।<br>□ PIU না নোতিস থানবা শিনগনি। হোর্তিকলচর অমসুং ফোরেস্ত দিপার্তমেন্তনা হৌরিবা মহৈ মরোং, কুম্বী কালেন নাইদবা মহৈ মরোং অমসুং উ পাম্বীশিংগী মমল হোৎপগী থবক পায়খৎকনি, অমসুং PIUনা AFsকা তানরগা কম্পেন্সেসনগী রেত লেপকনি। |
| **অৱাবা নংলবা** | | | | | |
| ৭ | অৱাবা নংলবা AFশিংদা পীরিবা চৈথেং | চৈথেং পুন্নমক | অৱাবা নংলবা AFশিং | □ খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ইমুংশিংদা অমুকখক্তংগী ওইনা চোম্লপ্পা লুপা ২৫০০০/-গী অহেনবা তেংবাং (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি)<br>□ প্রোজেক্তকী মখাদা শেন্থোক হঞ্জিহন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম পীগনি/ফংহনগনি।<br>□ প্রোজেক্তকী মখাদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলিঙৈদা থবক পীবদা অহেনবা খুদোংচাবা পীবা/ফংহন্বা।<br>□ তঙায় ফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা য়ুতিলিতীশিং অমসুং পব্লিক সর্ভিসশিং ফংহনবা। | □ অৱাবা নংলবা AFsশিংদা পীরিবা চৈথেং ভেলুএসন কক্মিতীনা লেপকনি।<br>□ PIU না মরী লৈনবা লাইন দিপার্তমেন্তশিংগা AHশিংগী জোইন্ত এসেসমেন্ত সর্ভে (JAS) তৌদুনা পীরিবা চৈথেং চাং চুম্লবরা হায়বা য়েংশিনগনি অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ইমুংশিং মশক খঙদোক্কনি।<br>□ চুনবা শেন্থোক হঞ্জিলহন্নবা স্কীমশিং শেমগৎনবগীদমক PIU না, CSC অমসুং NGOগী তেংবাংগা লোয়ননা শোকহল্লবা মীওইশিংগা তানরগা ত্রেনিং মথৌ তাবগী ফীভম য়েংশিনগনি।<br>□ PIU অমসুং NGOনা লোকেল ত্রেনিং ইন্সতিত্যুৎশিংগা তানরগা মতিক চাবা ত্রেনর নৎত্রগা লোকেল রিসোর্সশিং খঙদোক্কনি। |
| **মতম খরগী ওইবা অমাঙবা** | | | | | |
| ৮ | মতম খরগী ওইনা লমগী অমাঙ অতা থোকপা | সব-প্রোজেক্ত শেমগৎ শাগৎপগীদমক মতম খরগী ওইনা লমগী মথৌ তাবা | লিগেল পত্তা পায়বা, মহৌশাগী চৎনবীগী মতুং ইন্না লমগী হক লৈবা ইমুং | □ প্রোজেক্ত অসিনা মতম খরগী ওইনা লমগী মথৌ তারকপদা লম মপুগা তানরগা কম্পেন্সেত তৌগদবনি।<br>□ মতমদুগী ওইনা কৈথেলদা চৎনরিবা মমলদা কনশিল্লিবা লমগী ভরা পীবা।<br>□ মহুৎ হঞ্জিন্বা ওইনা লন-থুমগী কম্পেন্সেসন পীবা।<br>□ লম অদু মখোয়গী হান্নগী অদুগা মান্ননা নৎত্রগা হেন্না ফবা ফীভমদা হঞ্জিলহনবা।<br>□ শেমগৎ শাগৎপগী কেম্প শাগদবা মফম অদু কন্ত্রেক্তরনা PWD, মনিপুর লৈঙাক অমসুং লমদুগী মীয়ামগা তানরগা লেপকনি। | □ ভেলুএসন কম্মিতীনা AFশিংগা লোয়ননা মতম খরগী ওইবা লম অমাঙ অতাগী চাং লেপকনি।<br>□ কন্ত্রেক্তরনা মফম অদু লৌশিনদ্রিঙৈদা কম্পেন্সেসন পীনবা PIU না শুকশোয় শোয়দনা শিনগনি। মফম অদু হান্নগী ফীভমদা থম্লমবগী থৌদাং কন্ত্রেক্তরনা লৌগনি। |
| ৯ | মতম খরগী ওইনা পুন্সি হিংনবগী লম্বীদা কায়হনবা | | লিগেল পত্তা পায়বা অমদি পত্তা পায়দবা AFশিং | □ চঙগদবা মতম অমসুং পীগদৌরিবা অকায়বগী মওং য়াওনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌওংশিংগী মতাঙদা নুমিৎ ৬০ মাঙজৌননা নোতিস পীবা।<br>□ অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ১৮০০০/-গী তেংবাং ফংহনবা (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ ভেলুএসন কম্মিতীনা মাঙলিবা শেন্থোক্কী চাং লেপকনি।<br>□ কন্ত্রেক্তরশিংনা মাঙলিবা অমাঙ অতা হন্থহন্নবা থবকশিং পায়খৎকনি। |
| ১০ | | | শঙ মচা/কিওস্ক অমসুং কোয়চৎ চত্তুনা পোৎ য়োনবা মীওইশিং | □ অমুকখক্তংগী ওইবা লুপা ৫০০০/-গী তেংবাং ফংহনবা (মসি মনিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরবা মতুংদা করেন্ত ইন্দেক্স প্রাইসকী মতুং ইন্না হেনগৎকদবনি) | □ |
| **কম্মন রিসোর্সশিং** | | | | | |
| ১১ | কম্মন রিসোর্সশিংগী অমাঙ-অতা অমসুং মতম খরগী ওইনা চৈথেং পীবা | কম্মন রিসোর্সশিং | মীয়াম | □ শোকহল্লবা মীয়ামগী ফেসিলিতীশিং – মীয়ামগী ঈশিং তাফম, মীয়ামগী য়ুতিলিতী পোস্ত, লাইশঙ, খুভম অসিনচিংবশিং য়াওনা হায়রিবশিংসিগী মহুৎ শিন্বা ওইনা শারম্বা নৎত্রগা হান্নগী ফীভমদা শেমজিল্লগা থম্লম্বা | □ PIU অমসুং কন্ত্রেক্তরনা মসিগী থৌদাং লৌগদবনি |
| **অতৈ অতৈ** | | | | | |
| ১২ | মশক খঙদোক্তবা অতৈ অতোপ্পা অমাঙ অতাশিং | - | - | □ হান্নদি পারুদবা তঙায়ফদনা তৌদবা য়াদদনা পীবা চৈথেংশিং থবক পায়খৎলিঙৈদা চেদা ইশিনগনি অমসুং রিসেত্তলমেন্ত প্লান্নিং ফ্রেমৱর্ক (RPF)তা পীরিবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়রিবা চৈথেংশিংদু কোকহনগনি। | □ PIU না পীফম থোকপশিং AIIB ESS 1, 2 অমসুং 3 চৎন-পথাপশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা লেপকনি, লোইশিনগনি। |

** EMদা পীরিবা ফংফম থোকপশিং অসি RFC&T in LAR&R Act 2013গী মতুং ইন্না পীফম থোকপা খ্বায়দগী পীকপা শেনফম্নি। পীফম থোকপশিং নৌনা শেমদোক্লবা ৱাফম মনিপুর লৈঙাক্না খন্নরি। অয়াবা লৈরবা মতুংদা, মরি পীফম ফংফম থোকপশিং RPদা নৌনা শেমদোরক্কনি।

## ৫. স্তেকহোল্দরশিং, ৱাহল্লোক লৈনা (মখোয়গা) ৱা তানবা অমসুং মখোঁ তাবশিং ফোঙদোকপা

### ৫.১ স্তেকহোল্দরশিং

স্তেকহোল্দর অমা হায়বসি প্রোজেক্ত অসিনা শোকহল্লবা নৎত্রগা প্রোজেক্তসিদা ইন্তরেস্ত/অপাম্বা লৈবা লনাই মীওইশিং, কাঙলুপশিং, নৎত্রগা লুপশিংনি। ইন্তরেস্ত লৈবা গ্রুপ/লনাই মীওইশিং অসি প্রোজেক্তকী লৈরিবা থাক-থাকশিং লোয়ননা মখোয়গী অপাম্বা/ইন্তরেস্ত, ইথিল, অমসুং মরুওইবগী মতুং ইন্না খেন্নে। মরম অদুনা, স্তেকহোল্দরশিং প্রোজেক্তকী ঙল্লিঙৈ শরুক্তা খঙদোকহৌবা অমসুং কোনশিলহৌবা মখোঁ তাই।

### ৫.২ স্তেকহোল্দরশিংগী মখল

স্তেকহোল্দরশিং অসি মখল অহুম থোক্লা খায়দোকই:

১. প্রাইমারী স্তেকহোল্দরশিং: প্রোজেক্ত অসিনা হকথেংননা অমসুং নাকোয়ননা শোকহল্লবা মীওইশিংনি, মসিদা মশাগী (১) লেঙবা য়াদবা লন-থুমশিং; (২) পুন্সি হিংনবগী লম্বী; (৩) পুন্সি হিংনবগী লম্বী লাকফম; অমসুং (৪) লনাই অমসুং মীয়ামগী মরল/য়ুতিলিতীশিংদা চঙথোক চঙশিনগী, শীজিন্নবগী খুদোংচাবা মাঙখিবা মীওইশিং য়াওরি। কাঙলুপ অসিদা পত্তা পায়বা অমসুং পত্তা পায়দবা অনিমক য়াওরি।
প্রাইমারী স্তেকহোল্দরশিংগী মরক্তা, খরদি খুন্নাই নৎত্রগা শেন্মিৎলোন্দা শোকহন্দুনা ময়াম মরক্তগী ইল্লোক্তুনা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লবা মীওইশিং ওইগনি। খুন্নাইগী ওইনা খুদোংথিবা নংবা য়াবা ওইবা কাঙলুপশিংদা সিদ্যুল ত্রাইব অমসুং কাসন্ত; নুপীনা য়ুম্বু ওইবা ইমুং; মতেঙ অমত্তা লৈতবা অহল ওইরবা মীওই; অমসুং হকচাঙগী ফীভম অমসুং/নৎত্রগা ৱাখল শোইনাইরবা মীওইশিং য়াওরি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিং শেন্মিৎলোনগী ওইনা খুদোংথিবা নংবা য়াবা ওইনা লৌগনি।

২. সেকেন্দরী স্তেকহোল্দরশিং: থবক পায়খৎলিবা এজেন্সীগী ওফিসিএলশিং, লোকেল এদমিনিস্ত্রেতিব ওথোরিতী হায়বদি দিস্ত্রিক্ত এদমিনিস্ত্রেসনগী ওফিসিএলশিং, স্তেত পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ, অমসুং লমদমদুগী লুচিংবশিংবু সেকেন্দরী স্তেকহোল্দরশিং হায়না খঙনৈ। প্রোজেক্ত অসিদা য়াওরিবা অমসুং য়াওরক্কদবা তোঙান তোঙানবা কন্সলতেন্তশিং, সব-কন্সলতেন্তশিং, কন্ত্রেক্তরশিং, সব-কন্ত্রেক্তরশিংবুসু সেকেন্দরী স্তেকহোলল্দর হায়না খঙনৈ।

৩. তর্সরী স্তেকহোল্দরশিং: অতোপ্পা লাইন দিপার্তমেন্তশিং হায়বদি ফোরেস্ত, লেন্দ রিভিন্যুগী ওফিসিএলশিং, লম্বী শীজিন্নরিবশিং, তান্সপোর্ত ওপরেতরশিং অমসুং মখোয়গী লূপশিং অসিনচিংবা, অমসুং প্রোজেক্ত অসিদা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা অপাম্বা ইন্তরেস্ত লৈরম্বা য়াবা মীওইদু তর্সরী স্তেকহোল্দরশিংনি। মখাদা পীরিবা তেবল ৭না তোঙান তোঙানবা স্তেকহোল্দরশিং অমসুং প্রোজেক্ত অসিদা লৈরিবা মখোয়গী ইন্তরস্ত অমসুং ইথিলশিংগী মচা খায়বা ৱাফম পীরি।

**তেবল ৭: স্তেকহোল্দর ইনফ্লুএন্স ইন্তরেস্ত এন্দ ইম্পেক্ত মেত্রিক্স**

| সস্তেকহোল্দর মখল | ইন্তরেস্ত | ইথিল | শাফু |
|---|---|---|---|
| প্রাইমারী স্তেকহোল্দর | | | |
| প্রোজেক্তনা শোকহল্লবা মীওইশিং | ৱাংই | নেম্মি | ৱাংই |
| সেকেন্দরী স্তেকহোল্দর | | | |
| EAP (PIU) | ৱাংই | ৱাংই | নেম্মি |
| লোকেল এদমিনিস্ত্রেসন | ৱাংই | ৱাংই | নেম্মি |
| স্তেত পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ | নেম্মি | নেম্মি | নেম্মি |
| লোকেল রাজনিতিৱালাশিং | ৱাংই | নেম্মি | নেম্মি |
| লোকেল মীয়ামগী লুচিংবশিং | ৱাংই | নেম্মি | নেম্মি |
| CSOশিং | ৱাংই | ৱাংই | নেম্মি |
| তর্সিরী স্তেকহোল্দর | | | |
| ফোরেস্ত দিপার্তমেন্ত | নেম্মি | নেম্মি | নেম্মি |
| লেন্দ রিভিন্যু দিপার্তমেন্ত | ৱাংই | ৱাংই | ৱাংই |
| ত্রান্সপোর্ত লূপশিং | নেম্মি | নেম্মি | নেম্মি |
| লম্বী শীজিন্নরিবশিং | ৱাংই | নেম্মি | নেম্মি |

প্রোজেক্তনা শোকহল্লবা ইমুংশিং: কম্মর্সিএল নৎত্রগা য়ুম ওইনা লৈনবগী লম অমসুং স্ত্রকচর মাঙলিবা মীওই পুন্নমক প্রোজেক্ত অসিনা মরম ওইরগা লম অমসুং স্ত্রকচর পুম্বদা অমাঙ অতা পীরিবা, লল্লোন ইতিক তৌফম, অমসুং লৈনরিবা য়ুম-কৈ মাঙলিবা মীওইদু খ্বায়দগী য়াম্না চৈথেং নংলিবা মীওইশিংনি অদুবু মখোয় প্রোজেক্ত এদমিনিস্ত্রেসন্দা চাউনা শরুক য়াবদি লৈরোই। মরমসিনা, মখোয়বু খ্বায়দগী য়াম্না চৈথেং ফংলিবা অদুবু ইথিলদি য়াম্না পীবা ঙমদবা কাঙলুপ্তা থম্লিবনি।

এক্সতর্নেল্লী এদেদ প্রোজেক্ত (PIU): প্রোজেক্ত অসিগা লোয়নরিবা/চৎমিন্নরিবা এদমিনিস্ত্রেসনশিং হায়বদি লোকেল এদমিনিস্ত্রেসন, পোল্লুসন কন্ত্রোল বোর্দ, লোকেল রাজনিতিৱালা, CSOশিং, লোকেল মীয়ামগী লুচিংবশিং অসিগুম্বা প্রোজেক্তকা মরী লৈনবা থবক পায়খৎপদা থেংনরক্কদবা শিংনবশিং লোয়ন-লোয়ননা এদমিনিস্ত্রেতিবকী ওইবা ৱাফমশিং মায়োক্লগদবা মীওইশিংনি।